
মতম খোঙলৈ পাইখোঙ

(চুক শাংলোল)



অহানবা শরুক


- নৈনজবা -

লাওরেম ইবোপী

মতম খোঙলৈ পাউখোঙ

(চুকশংলোল)

অহানবা শরুক



নৈনজবা

নাওরেম ইবোবী

ফোংজবা   পাখংবা থৌগল্লুপ (পাখংবা শংলেন)

শগোলবন্দ মোইরাং লৈবক মচিন

অহানবা খুৎন[illegible]৭ ইং

লাইরিক মশিং :   ৩,০০০

মমল :   লুপা ৭ (তরেং)

লাইরিক নম্ফম অমসুং ফংফম :   ধনেশ্বরী প্রেস

শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক মচিন, (এন, সি, রোড ইম্ফাল)

ৱাহৌদোক

লাইবিক অসিদা মীওই ফুকপ কযাবু নৈনজবি মতুগী মন্থুংদা লমদম অসিদা পোক্লক্লবা, লমদম অসিগী লৈহাওদা চাওরক্লবা, ইচম চম্না মশানা পামজবা লাই অমবু লাংতুনা, লাই অতুবু নিংজতুনা অচম্বা লম্বীনা হিংনবা হোংনজবিবা মীওইশিং অতুবু বামোন হাযনা নৈনজে। বামোনদি ওইরগা মীতৈশিংবু নমথনবা হোংনবিবা অমদি মীতৈগী লাইফমশিংবু মখোযগী মখাদা থম্নবা অনদি মখোযগী ওইনা কোনশিন্নবা লোন্না নত্রগা ফোংনা হোংনবিবা কাওবুশিং অতুবু মীযানচা হাযনা নৈনজবি। অসিগুম্বা মীযানচাশিংগী চৈঙাক ওইবিবা, মকন্থিনা মবল ফোইদংচবিবা কাঙবু অতুবু হিন্দু মীতৈ হাযনা নৈনজরি।

অবোইবদা, চেগী মমল তাংবা অমস্তুং লাইবিক অসিদা যাওবিবা লাইশিং অসি নমনবা ৱােক শাবদা শেল খবা হেন্না চংখিবনা মবম ওইদুনা লাইবিক অসিগী মমল লুপা ৭/- তা লেপচবে, মসিগীদমক্তা লাইবিক অসিবু পাবীবিবশিংনা ঙাকপীগনি।

মীযামগী থৌগলদা

নাওরেম ইবোবী

লাইরিক্কী মওং

লাইরিক অসি ইজবা মতমদা পুক্কিংগী হৈথনক্লিবা ৱাহৈগী ঈপোমশিং অতূদা মিংকুপ (সেরেঙ) অমা ফাওবা অপনবা পিনিংদবনা মনম ওইহনা লাইরিক অসিগী মফম কযাদা কোমা, সেমিকোলোনগী চৈথঙ পিদবা ৱাহৈ পরেং কয়া থেংনরিগনি। লাইরিক অসি চংনরিবা চৈথল্লোন (পঙ্কচুয়েসন) গী পথাপ মতুংইন্না ইজবা নংচদে। লাইরিক অসি ইজবা মতমদা অইবগী পুক্লিংদা ফাওথিবা পুকিংগী শৈশকলোন (রাইযম) অতূমক পাবীরিবশিংদসু ফাওহনজনিংবগী মওংদা চংনরিবা চৈথল্লোনগা ৱাংমদা ইজবনি। অনিস্সুবদা, থবা শাংনা চিংনা হাযজনিংবদা মমা হাগবদা মামা হাযনা ইবা, মমাই হাযবদা মামাই হাযনা ইবা থেংনবীগনি। থবা কন্না হাযনিংবা মতাংদা বোঙ্গালী হাংবা ৱাহৈ অসি বেঙ্গোলী হাযনা ইবা থেংনবিগনি।

অবোইবদা, লাইরিক অসি পাবীবা মতমদা ওচিকপা মফমদা ঈওনা পাবিহনা লাইরিক্কী অচুম অবান লেপ্পীযু অমদি অইবনা ফংজরিবা মহাও অসি অথোই অহেন নাইদনা ফংগনিযু।

"হাদ-ইমা পলেম নুংশিবী"

কংচন্নি লৌবীমু ইমা
নচা ঐগী লাইরু খুদোল
"মতম খোঙহৈ পাওখোঙ"
লংনবীগনু পলেম ও!
নচাগী লাইর খুদোলশে।
লৌশিং চাওবা নত্তে:কা
চোযনা তারম্বা লিক্ল্বু
লিক্লাং ওইনা খুঞ্জবনি।
খুংহৈবা নচা নত্তে'কা
থকশি কারল কায়খিবা
খাশি বাবল শোয়খিবা
ঙাকপী হৈবী পুকচেলনা
ঙাকপীমুকো পলেম ও!
নচাগী পুক্নিং লৈকোন্দ্র
মপুং ফাদবা লৈকোম্নী,
লৈচল গুনা শাংজেদো.
হৈরাং গুনা পান্জেদো,
লৈজবা লৈরাং খরতনা
ফংজবা হৈরাঙ থরতংগা
পলেম থৌগল লাংজবা
নচাগী লাইর খুদোলশে
লংনবীগনুকো পলেম ও!

হিংবা অমসুং হিংদবা

ঐনা ইতরিবা লাইবিক মচা অসিগী পান্দমদি হিংবা অমসুং হিংদবা হাযবা অসিনা পান্দম ওইদুনা ইজবনি। পাকচাওববা মালেম অসিদগী পীরবসু পীরা মীতৈ হাযবা তাংলবা সুংশিববা যুকপ তসি মালেম নৈমায অসিদগী মুংখিদনবা হোৎনবা হাযবা তসিদা মীতৈ মচা ওইনা পোক্লিবা ঐখোয খুদিংমক্কী থৌদাং অনা ওইযম থোকই। ঐখোয খুদিংমক মমা নিংবা মচা ওইবা তাব, ঐখোয খুদিংমক মীতৈ ঐখোযগী শক্তম মুংখিদনবগী লানফনদা হনবা হৈ তনা চংশিনবা তাবনি। রাফম অসি নৈন-নবগা মতমদা মমা মপা সুংশিবা খংদবা বাংবু থনা (কম্যানেল) ওই, নামতা লেংবা মীৎয়ে নি হাযনা যনা হাংজববসু মীতৈ মচা ওইনা পোক্লিবা মীপুম খুদিংমকা মীতৈবু হিংনবা হোৎন-জদনা বনানা ঐখোযবু হিংনবা হোৎনবিবগনি, মসি ঐখোযনা মুন্না খন্তকম থোকই, রাযম অসি তবাই তবাই লৌকম থোক্কে। বেঙ্গোলীশিংনা বেঙ্গোলী হিংনবা হোৎনজবা, তামিলশিংনা তামিল-শিং হিংনবা হোৎনজবা, অশামীশিংনা অশামী হিংনবা হোৎনজবা অসিবু বনানা লাল্লি হাযগদৌরিবনো। মীপুম খুদিংমক মাগী মাগী থুনাযগী নাং অমসুং চংনবী বন্নবা হোৎনবা হায। তসি মশক থোক্লা হৈ নিংলিবা মীপুম খুদিংমক্কী মথৌনি খল্লি মসিদা কনানসু লাল্লি হাযরবা বারোই। মচিন্দদি তাপুনবনি অপুনবনি

হাবজবনবসু মাগী নাপী চাবপুংদদি বনামতনা খুঙ্গাই থাংজিন্নবা যাবোব। মীতৈশিংনা মীতৈ ওইনা হিংজনিংবা অবানবা ব্রাকম নত্তে। ইবৈপাক অসিদা ঐখোয় মীতৈ ওইনা নৈবা তায়।। ঐখোয়না মীতৈ ওইনা হিংবা তাবনদি মীতৈগী লোন, মীতৈগী মযেক, মীতৈগী নাং, মীতৈগী পুবারী, মীতৈশিংগী লাইনিংলাই-শোলগা চানবা অাসুং মনি নৈশনবা অচুম্বা অমসুং অশোংবনা যুম্ফম ওইবা লৈচাবশোন অনা লিংনবা হোং বা তায়। মশিবু লাই ওইনবা অহনশিংনা অবিবনু নীনা খ গাবউ হা না তাকপীরম্মী।

মীতৈনা হিন্দু ওইদুনা লৈবগা নবম্না নৈপাক অসি মীতৈ নৈপাক হাবগাদোবিবা—শোনদনা হিন্দু লৈপাক হাপিবা ওবনি। অসুম্না হিন্দু ওইদুনা অদুন নৈপি।। নাবর্গ যবনু গোঙ্গনা শিনাখবাংদুন বভ্রুবাহনগী নচা মঙলনি, চাদা নাওদানি, ভয়গী বংশনি হাংবিদুনা চাবনাম শুবাবা ববাবী মতাংদি মীতৈনা নীথুন শোয়দনা মুংখিবা তাবনি ইবান নবা বভ্রুবাহনগী চাদা নাওদানি হায়বদা হবাওজবরুসু ঈংবৈ হৌনিবা ঐখোয় খবনি মীতৈ ইনাবু বন্নাবা হোননা ওথাইবদবনি।।

মতম অনণ নিংখা তম্মা হায়না লুমনা মশক থোক্না মীতৈলৈপাক ওইনা লৈজবম্বা নৈপাক অসি ইনিংথৌ পামহৈবা স্নাহাবতক্তা মীবমদগী চোবথোবকপা নীযান নাম্বাইবা শাবা থবনা খাবৈ থাবা শানা ওংনাযবীদুনা লাইনিং লাইশোলগী

মমিংদা মীখুৎ চনগ্রবা লৈপাক অসি মতমগী খোঙলৈ তুংইন্না হৌজিক্কা ইনৌ নৌনা মুশি মুশি ওইনা অনৌবা মীতৈ খুনায অমা ওইনা হৌগৎচবক্লিবগী মওং অসিবু লাই ওইরবা অহলশিংনা "নোংপোক ম্নাহৌগেঙ পোম্ফি হিকমাবী" হাযনা পাউরৌ তৌহুনা তাকপীবম্মী। মথৌ তৌগে হাযদহুনা, মপানগী অরং অবাক মযামদা মীতাহুনা তাঙহুনা লৈবিড্রেদা, মশাগী ভৌগদবা মথৌ কাঙথোক্তুনা যাহৌ ইথেঙ থেঙনা হৌগৎলগা ইপোল পোনবা ফি অম হনশিল্লহুনা হিক মাব। মাবহুনা থোক্লীবা খিবিক উদনা কবি নাচুংদনা লৈথোক্লীবা হে অপঙবশিঙ নখোযবু হাযনা পাউবৌ তৌবীবম্মী। অদুবু নিংহন্নবা ভৌগনু থেঙঙবসু থেঙনা নোংপোক্কী হুমিৎ পোক্লক্কনি হাযবদি পাউবৌ কযা অম্না তৌহুনা তাকপীবম্মী। অদুবু লাইবক থিবদি ঙবাংতা মীকপ থোকচবক্লিবা মীতৈ খুনায অসি মমাবু নপাম্নু হূংশিবা খঙদবা, অচাংবম্না মীকাথিহুনা রাখল লৈখা তানা খস্তবা ঙমজদ্রবা লৱাইদা মীহুন হুল্লবা, মশাগী ওইজবতা থিনবা হোৎনবদা অচুম অরালগী রাখল পোকপা ঙমদ্রবা, ইকাযবা খঙদ্রবা, মনায কোন ভোল্লবা কাবু খবনা ফুকপ শেম্নহুনা চংনলোল (ইজম) কযা অমগী মমিং লৌহুনা কৈমুনিজম, কৈঙাচনিজম, বৈষ্ণৌনিজম হায়বা অঙাংবা, অঙৌবা, অমুবা, নাপু মচুগী ফি কযা অমনা কুপশিন্দুনা, মচু কযাগী ফিবাল পাযহুনা মশক ওস্থোক্লবা মপুগী খোঙলোই কযা অমনা কাবু কৈ ওইবগী শক্তম মবাং মবাংবা মচু, অচৌবা মযা, অশাংবা খুজিল, অমদি তমথিববা লীচং

কযাবু উইহল্দনা শাথুপ্ত্না অখাবা মীৎযেংগা লোয়ননা ঙরাংতা পোকচবিবা শন্নাওগুম নোজবিবা মীতৈ থুনায অশিবু অচেংবা য়েংহুনা লুশমদা লাক্ত্না হাইহত্ত্না হাৎনবা হোৎনরি, মীতৈ ঈ চুপ্পবা লাক্লবি। ফিভম অসিদা মীতৈ ইমাদি পেবেৎ মচা চাওবা ঙাযবি, ফিজেৎ ফিকায শেত্ত্না অযো যো ইবুংঙো, অযো যো ইবুংঙো হাযহুনা ওন্না থোইনা খাঙলি, হৌদোং লম্বোইবনা মযা কাথোক্ত্না পেবেৎ মচা যোৎকন্দবগী ঙাইহুনা লৈবি, পেবেৎ মচাদি হৌদোং লম্বোইবগী খুবাক্তা লাংদোল অমদগী লাংদোল অমদা লাংদোল অমদগী লাংদোল অমদা পাইবা তন্নী।।

যেংবা হৈববদি কুম্মৈগী কুম্মৈমক্তনি খৃষ্টানগী মিশনশিংনা লৈপাক অসি খৃষ্টযান দোম অমা শেম্নবা হোৎনবদা থাকপা লৈতনা শেল হৈথবক্লি। মাগা লম্বা মান্ননা শেল পাযবা ইস্কূলস্থ হুনবা লৈতনা মীযামবু পীজ পীথক তৌহুনা অচৌ অচৌবা অফিসাব, শেঙ্গাও পাযবা কাববাবরালাশিংবু থৌপাংবা (পেত্রোন) ওইহন্দুনা মীতৈলৈপাক অসি মণিপুব হাযবা মীং অসিগা চানবা অনৌবা বৃন্দবন অমা শেম্নবা হোৎনবি। মুসলিমশিংনা কমদৌবি নখোযগী অহু অদা খঙদে মীতৈ মূপী লৌহৌবগা লোইবে হাযহুনা মীতৈ মূপী লৌশিল লৌশিলহুনা, লৈশাবীশিংবু মাঙথোক মাঙথোক্ত্না পাঙল ওলহন্নবা কন্না হোৎনবি। হাযবিবা পুম্নমক অসিগী মথক্তা ইঙনা তপ্না কন্না লান থেঙনবিবদি মীতৈ হিন্দু অমসুং ইপা ইপুগী মাং হঙ্গীন্নবা হোৎনরিবা মীতৈশিংগনি। মখোয অনি অসিদি

লোক অমত্তুদা পুন্না কুনমিন্নবা কৈ অনিগুম্বনি, ইমুং অমত্তুদা ইওং ওংশিন্না লৈমিন্নবিবা মীওই ঙাক্তনি। নৈনবদা যাম্না নুংঙাইবিবদি মীতৈ হিন্দুশিং অসিনি। মখোযনা লাইদি অমত্তনি হাযগনি হিন্দুগী লাই অমসুং মীতৈগী লাই অনিমক তুনা লাং-শিনগনি। মখোযনা মীতৈগী লাইবুদি লাংশিনবীবসু লাইদুবু নিংজবিবা মীওইশিংবুদি মাংবগুম্না তোখাযনা থমগনি। মখোযনা হিন্দু অমসুং মীতৈগী লৈচং অনীমকসু তুনা চংশিনগনি অদুবু মীতৈ লাইনিং লাইশোল চংচবিবা মীশিংবু মীতৈ হায়বসিদি লু খিন্দ্রে হাযনা চৈবদি ইতোক তোক্তে।। লাই অমত্তনি হাযদুনা হিন্দুগী লাইসু মীতৈগী লাইসু লাংলবসু খৃষ্টযান অমসুং মুসলিমগী লাইবুদি মখোযনা য়াম্না মাঙনা খল্লি। মখোযনা হিন্দুগী থৌরমসু মীতৈগী থৌরমসু অদুম তৌই, অসিনা মরম ওইদুনা মীতৈ লাইনিং লাইশোল চংলবা মীওইশিংনা মখোযবু হিন্দু মীতৈ হাযনা কৌনৈ।

মীতৈ হিন্দুশিং অসিনা মীতৈশিংবু যাম্না হন্থনা যাম্না চাওখত্তনা খল্লি। মীতৈশিংনা থোঙবা চাক এঙ্গাং মীতৈ হিন্দু-শিংনা চাদে, মখোয মশাসু মথৃং চানদে। মতম অমদা লুহোংবা, শোরাং. উযবা চিংবনা মীতৈ অমকা যাওনম্বা থোক্লবদি মাংঙে হায়দুনা হৌগং হৌগংতুনা বাযত্তনা চংনবমই। হৌ-ডিক্তি মখোয় মচু তৌদ্রে ইপুন পুনবগুম ইযা যাবগুম তৌবক্লি, মখোয ব্রাখল খন্থবা হৌবক্লে, মখোয অসি শিংদে হাযাসু যাদে। মখোযনা মীতৈশিংবু থিনা শিনা হুন্দুনা যাম্না হন্থবা

মীৎযেংগা লোইননা ঙাঙজি, মখোযনা থিনা থিনা চৈখৈ চৈ-থোক্লগা মীতৈশিংনা শোযদনকা থুম্ন্‌বা থোক্লবস্থু নখোয মীতৈনা মী হুন্দুনা ঙাংবশিনা হেক মহায, অশেংবদি মীতৈশিংনা ঙাঙ-লিবশিং অদুদি চৈবা নত্তে নৈনবদা চংদবা যাদবা ব্রাহ্ম ঙাক্তনি। ময়েক শেংনা হাযমনবদুদা হুংশিদবা কাঙবুনা চৈবা ওইনা তাবনি। মীতৈ হিন্দূশিংগী মমুংদা পুঙ ইশৈ তৌবা কাঙবদি মীতৈশিংবু হৌজিক ফাওবদা যাম্না মাঙনা থল্লি। কবিগুম্বা মীতৈশিংগা নকশিন্নকবকা থোক্লবদি তুংদা ইশৈ বার্তন ককথিগদ্রা হাযনা হুংশা থিজৈ।। মীতৈ হিন্দুশিং অসি লৈখোক লৈশিন যাম্না হৈনবনা খেঙনবদস্থু খবা ব্রায। মীতৈ হিন্দুশিংগী মবক্তা হেন্না হিন্দু ওইজনিংবা হেন্না আর্য ওইজনিংবা মশা মশানস্থু লৈপাক অসিগী লাইবিক হৈবা মখোযনি খঞ্জবা লাইগুদি যাওদবা ফুরুপ খবা লৈ, মখোযশিং অদুগী মমুংদা ফুরুপ অমা অনিদি শবকাবগী প্রান্ত চাওনা চাওনা ফংবা তলব চাওনা চাওনা চাবস্থু যাওবি। মখোযনা হিন্দূগী কলচব নৈনবদুনা পেল্লক্তদুনা ফজদে হাযবা মতাগুম মীতৈগী নাংস্থু চৎতবা মখোযনা মীতৈবু হুংশিবা শাদুনা মীতৈগী লাই হবাওবগী মবমদা, পুযা অমস্থুং মযেক্লচিংবগী মবম কযাদা মথৌ ইলৈ লৈতনা পাক্লা শন্না নৈনবা হৌবক্লি। নৈনবিবা অসিগী অশেংবা হুংগী ওইবা মীৎযেংদি অফ শাদুনা মীতৈগী পোৎশিং অদু নৈনবগা ফত্তবা কযা অমা হাযজিন্দুনা (দিমেবিত) অদুতবু পুথোক্লবা হোংনদুনা, হেন্না মযেক শেঙহন্দুনা, অবানবা কযা অমা হাযজিন্দুনা মীতৈ নাং অমস্থুং

লাইগী ওইবা থৌবমশিংবু মীযামগী মফমদা হম্বনা উহম্নবা হোৎনবা অসিনি।

উমংলাই হবাওবগা গোবিন্দগা মরি কবিস্থ লৈনদে অদুবু গোবিন্দ তেম্পল বোর্ডতা লৈনবিবা মীতৈ হিন্দুশিং অসিনা উমংলাইশিং অসি হরাওবা মতমদা মখোযগী অযা চে (পার্মিসন) যাওদ্রবদি হবাওবা যাদে হাযদুনা কন্না থিংনবা হোৎনৈ অমস্থং ব্রাচং ব্রানোমদুনা থিংস্থ থিংলি। মীতৈগী অমাইবা অমাইবী-শিং অসিস্থ গোবিন্দদা কবিস্থ মথৌ লৈতে অদুবু অমাইবা অমাইবী লোইশং অসিস্থ গোবিন্দ তেম্পল বোর্ডকী মখাদা থম্নবা কন্না হোৎনবি, ব্রাচং ব্রানোমদুনা মসিমস্থ মখোযগী মখাদা থম্লী। মসিগী যানিংদবা কযা অসি উত্তুনা মীতৈ লাইনিং লাইশোলগী মযাই শঙলেন ওইবিবা স্নামহি তেম্পল বোডকী মীওইশিংনা শবকাবদা কযা হাযজৈ অদুবু মমা অতোনবীনা পোকপনিনা শরবাবনা মব্রা লৌবিদে। নোংমা হিন্দু মীতৈ অমগা ব্রাবি শান্নবদা গোবিন্দস্থ পাখঙবনি অদুনা পাখংবনা নিংথৌ ওইবম্বা লৈপাক্লিনা উমংলাইশিংস্থ, অমাইবা অমাইবী লোইশঙস্থ গো-বীন্দগী মখাদা লৈবদা করিস্থ কাযদে হাযবমই, ফবে অদু ওই-ববদি গোবিন্দস্থ তাইবেন্না শেংলসি, খযোমস্থ লাকঅসি মদু যাববদী ঐখোযস্থ মহাকপু ঐখোযগীস্থ লাই ওইজবগে হাযবদদি খন্নথিসি হাযবগা ব্রাবি অদু লোইশিন্নথি।

ভারতকী মফম খুদিংমক্তা লাৎলিবা হিন্দুগী লাই পুন্নমক হিন্দু ধর্ম্ম চংপা মীপুম খুদিংমক হৎকথেংননা চঙদুনা হৈ লৈ কৎপা,

শোক্তুনা লাইপক কংপা যাই অহুবু মীতৈ হিন্দুনা লৈবিবা লৈপাক অসিদদি মীতৈ হিন্দুশিং অসি লাইশঙ মন্নুংদা চংঙ্বা যাদে, শোবউবা যাদে, মশা শোক্তুনা লাইপক কংপা যাদে, মশানা থোংতুনা চাক কংপা যাদে, মখোয় অসি হিন্দুশিংগী মবক্তা হবিজননা মাংবগুম্না মাংহল্লি অদুবু মশানা থোংদুনা চাক কংপা যাদবা মখুং চাবীদবা লাই অণুদ। হবাও হবাও খুৎথাঙদা পংবত্তা বৎশিল্লি। অসুম্না মীতৈ হিন্দুগী মরমা ইনিংবা কযা লৈবি অদুবু লাইবিক মচা অসিগী পান্দমদি মীতৈ হিন্দুনা ওইনা নত্তবনা অতোপ্পা "মীতৈ হিন্দু" হাযবা লাইবিক অমা পুংাকচবকপা মতমদা মীতৈ হিন্দুগী মবমদা হেন্না কুপ্পা লৈনজবগে। অসুম্না ইপা নাং ইপু নাংপু হঙ্গিন্নবা বন্না হোংনজবিবা হিংনিংবগী লানফম অসি হাযিংঙাই লৈতনা তন্নাবগী মশক্কি। হায-বিবা তসিংপ্লবা তন্নাবা অমত্তং খুদোংথিবগী শক্তমশিং অসিবু লৌশিং চাওববা লাইগী মশক ওইববা ইপা ইপুশিং তদুনা ন্নাহৈ পবেং অমত্তুনা মীতৈ ইপা ইপু নাং হঙ্গিন্নবা হোংনবিবা মীওইশিংবু "হা উবোক নমাংসু লাঙ নতুংসু তেন" হাযনা চপ চানা শৈথাবীবমই, "হা খোমদোন মৈদৌবী চেংনা যাল্ল" হাযদুনা পীওথেম্বীবমই। মীতৈ নাত্তা চেংনা কোনদুনা লৈবনা মীতৈ ঐখোযগী হিংনবা পাম্বে ওইগনি হাযবা অসি অহলশিং অদুনা মযেক শেংনা তাকপীবম্মী। অসিনা মবম ওইদুনা মীতৈ নাংপু হঙ্গীন্নবা হোংনজবিবা মীওইশিংবু অথা মীৎযেংনা যেংবিফম থোক্তে।। অবোইবদা অইবনা লৈনজগদৌনিবা লাইগী মতিক

মযাই ফংলবা অহলশিংনা থম্বীবম্বা পাউবৌ পাউখোঙশিং অসি পঙ-জববা ঐগী ইতিক্তি ওইদে মবৈ লোম্বনা ব্রা ঙাংবা, মমিৎ তাঙবনা যেকপা লাইগুম্বনি অত্থবু মখোঙ তেকপা মীওই অমনা চীংজাও নাপোম কাবগুম চীংদোক্তদি মযৌবগে হোংনজবগুম হোংনজ-বনি— ইতিক ইপা ওইদ্রবা থৌদা অসি পাংথোকবা হোংন-জবদা মপুং ফাবা খূদাল ওইদ্রবস্থ, উ লৈতবা মফমদা কেগেনা যুম্বী ওইজবনি খনবীয়ু, মনাতপু হুংশিজবগী অমস্থং হিঙনিঙবগী মৈচাক্লা ঙাওজববা মীওই অমগী নিংঙমদবা পুক্লিংগী থোম্বাংনি খনবীহুনা অবাল অহুই কযা যাওখিবা, ব্রাহৈ কাবল চনখিবা কযা যাওখিবা থোক্লবস্থ ঙাহাক ঙাহাক্কী ওইবা ব্রাখলনা হুমহুনা পুখিবননি খনবীহুনা নৈনবদা যাওবীবীবশিংনা ঙাকপীয়ু অমদি খোইখা লিনখা থাবীগনু। অহৈ অশিং শাজবা নংচদে, পুক্লংদা শেংনা ফাওজবা অমদি ফংজবা ব্রাখল্লোল খবতবু চম্লা ফোংদো-কচবনি। অব্রাল অহুই কযা ঙাংপীগনি। লেঙলিবা পাল্লিবা অচৎ চত্তা হাযবিবা পুম্নমক অসি মতম কৌবা লাইবেম্বীগী খযাত্তা তাখিদবা লৈতে। তাইবং ওইনা হিঙলিবা পুম্নমক নোংমদি শোযদনা মতম কৌবা লাইবেম্বীগী খযাত্তা চঙখিগদবা ঙাক্তনি। মশিং লাকঙমদ্রবা হৌগ্রবা থৌদোক কযা অমা মতম কৌবা লাইবেম্বীগী খযাত্তা তাখিবনা অকাওবশিংদা চনখিবনা অমমশিংদা চনখিবা ঙাক্লি। অসিগুম্বা তমংবিবা যোংকদবগী মযা লাওনা কাথোক্তুনা লৈবিবা মতম কৌবা লাইবম্বীনা যোংঙমদনা লৈবক্লবা মীতৈ লাই ওইববা অহলশিংনা থম্বীবম্বা

অমদি পাউথাং যৈবীবন্থা মতম খোঙলৈ তাকপা পাউতাক পাউ-খোঙশিং অসি তুংদা লাক্কদবা মতম কযা অমদি মীয়োল কযাদস্থু চাংজাওগুম্না লেঙদনা লেপ্তনা শেংনা ঙাম্না শৈশনহনা লৈহৌবা ওইবশিনু ।।

হুঁ শিদবা লাইনিংথৌ

হৌজিক্কি ঐখোযগী লাই ওইথ্রবা অহলশিং অতুনা থম্বীবন্থা পাউয়ৌ পাউখোঙশীং অতু থরা মথৈ নৈনহনা যেংলসী ।।



হো ইমা ইমা ও
ঐস্থু লাক্কে ইমা ও

হো ইমা ইমা ও।
ঐস্থু লাক্কে ইমা ও।
নোং চুই লাক্কন্থু,
যেম্পাক তুপত্তুনা মলাক্কে।
লম্বী নাল্লি লাক্কন্থু,
চৈশু শুত্তুনা মলাক্কে।
ঐনা হয়েং চাউবগা,
চাউব যাঙ্গোল ফাবগা,
শঞ্জেন থোংগী থোংযাইদা
শামু তোংত্তুনা লাকপদা
ইমা নংবু ওকচগে।

মথক্কী শৈশক অসি মীবোল কযা হৌখ্রবদস্থু মতম কযা শাংখ্রবগী মমাংদগী হৌনা ওসি যাওবদা ঐখোযনা তাবি। শৈবেং অসিগী ব্রাহস্তোক খুঞ্জিল্লব্বা মতমদা পুক্লিং তুজুংবগা লোইননা লৌশিং চাউবা ইপা ইপু লাই মক ওইখ্রবশিং অত্তুবু হৌবক্লিবা মীশোল ঐখোযনা ইকায খুম্নবা উৎপগী মথৌ তাই। শৈশক অসিনা ইপা ইপুশিং অত্তুনা মবৈপাকপু কযা যাম্না

নিংবগে অমস্যুং নুংশিবগে হাযবচু ঐখোযনা উবা ফংই। অহলশিং অচুনা তুংদা লাক্কদবা মচা মশু মীবোলশিংগীদমক্তা কযা যাম্না শাংনা খন্থবিবন্থা অমস্যুং উবিরম্বগে হাযবচু ঐখোয অমুক্তা খন্নচুনা যেংশি ঐখোয অমুক্তা নৈনশি। শৈরেং অসি মতম অসিদা ওইবক্কদবা মতম খোঙলৈবু তাকপিবগনি—মমা লৈপাক নিংবগী শৈশক্লি।

"হো ইমা ইমা ও!
ঐসু লাক্কে ইমা ও!"

ৰাহৈ পবেং অনি অসিনা তাক্লি—মতম কুইনা শাংনা কাংথোক্লুববা ইমা মৈতৈ লৈমবু অমুক হন্না নিংশিংলক্কুনা ইমাবু কৌনবক্কনি তাকপনি। লববা লাইজ ঈমায়থক্তা তাইবঙ কনানা ফংঙমদা মালংবগী লিবিবা থৌগলদা হাযনা হুম্না মনিং তম্না ইথক ঈপোম নাইনা মাইথোং মকা লাম্না শাৎচবম্বী লৈবাং থম্বালবু তাইবং পীবুক ফত্তবা কল্লক চাউবা কনানা অখা খুংনা হেক্কুনা নৈখাযচুনা মাংহনখিবগুম মতম অমদা নিংথা তম্না মশক থোক্লা মশাগী নিংতম্ববু ঙাক্কুনা শেন্দুনা লৈজবম্বা মীতৈসনা লৈপাক অসি তাইবঙ পীবুক ফত্তবা খরগা মীবমচা লাইনিং শাবা খবগা লোতুনচুনা লমদম অসিগী লৈজবম্বা লাইগী মশক ওইবা পুযাবু মৈ থাদোক্কুনা, মীযাম্বু নিংথৌগী অবনবা চৈবাক্লা ফুচুনা, চৈচুনা, হাত্তুনা লুনা পাম্না চৎচবম্বা লাইনিং লাইশোলবু থাদোকহন্দুনা, যেকপু গোত্রদা গ্যোকহন্দুনা, মীংগী অবোইবদা সিংহ অমস্যুং দেবী হাপচিনবীচুনা, মীতৈবু হিন্দুনি বজ্রবাহনগী ধারনি

হায়জিনবীহুনা, লৈপাক্কী মমিং মীতৈশ্না শৈপাক কংলৈপুঙ মযোল হায়বশ্বা তোক্কনা মনিপুর থোঞ্জিনবীহুনা ~ লৈরাং থম্বালনা লৈনা পুমচাই চায়না লৈমায়দা হিকথহনা বেনখিবগুম মীতৈ ইমা লৈপাকস্থ লিখুল খঙদনা মাঙখি অকাও ঈপাক্তা তাওথখি। অহুব্র মতম খোঙলৈনা যোবক্লবদদি মপাবি ওইবশিং অহুনা, পাগী পাবী তত্তবা পূগী পূনী তত্তবশিংহুনা খোমলেন মীংকপ থোক্লক্লবদা নুমিদাংব্রাইগী নতনদা নুমিৎনা চীংযা তাম্বদা মনবী বাসনববা যন্নাউনা অকি তুজুং লোযননা তথক তথক গেংহুনা, মা মা খোঙহুনা মমা যনবী থিবগুম, মমাবু নৌহৌনা নিংশিং-লক, মামাগী চেংলৌবু উমিংলক, চেংলৌ শক্তমদি উহৌদা ইমা ইনা বৌজবা, তান্না থুম্লকপগী খোঞ্জেলদি তা, মমাগী মায়কৈদি খঙদ, মীংলাংদি পিবাং ঈহৌনা থম্মোয শোন্না ইমা ইমা হায়না বৌবকপগী পান্দমগুম "হো ইমা ইমা ও!" হায়না কৌবা ব্রাহৈ পবেং অসিনা তাক্লি।

"ঐস্থ লাক্কে ইমা ও!" হায়বা অসিনা তাক্লীবনা ইমা লৈপাক্কী অশেংবা মমিং, নাৎ, লাইনিং লাইশোন, পুম্না অমস্থং মযেক্কী অশেঙবা শক্তম খঙননবা খোঙ্গুল লীনবকপবু তাকই। অহু্ব্র মীতৈ ইমাদি মীথা থাহুনা লৈখিবনা, মীগী মীথুং চনখিবনা মপাবি মমোমশিংনা ইমা ইমা হায়না খোঙ্গুল লীবকপদা থুদাং থিবা কয়া থেঙনহুনা অব্রাবা বয়া নংগনি মীপাইজহুনা মচাশিংনা ব্রাগদবগী শরুকপুদি মমা ওইবী মহৌশা অহোয়নহুন ব্রাজবগে খঞ্জহুনা মচাশিংবু কিহুনা মমাগী খোঙ্গুল লীবক্তনবা

হায়দুনা পাউথেমববু "নোং চুই লাক্কনু" হায়বা ৱাহৈ পবেং অসিনা তাকই। অদুবু মপাখি মমোমশিংনা যাবোই হায়বদো "যেম্পাক তুপতুনা মলাক্কে" হায়বা ৱাহৈ পবেং অসিনা তাকই। অদুবু নীপাগী কিরবী মমানা মচাবু অবাবা তাবদি যেংঙম্মোই-দবনিনা অকি ৱাহৈ কয়া অমা হায়দুনা হন্না হন্না খাম্মী মদুবু "লম্বী নাল্লি লাক্কনু" হায়বা পাওথেম ৱাহৈ অসিনা তাকই। অদুবু মমাবু নুংশিবা অমসুং উনিংবগী মৈচাক্লা কনখিবনা থেংনগদবা খুদোংচবা কযাবু থৌওইদনা নিংচায়দনা খুম্বগী পাও-খুমবু "চৈশু পীযদুনা মলাক্কে" হায়বা ৱাহৈ পাবেং অসিনা তাকই।

অসুন্না "হো ইমা ইমা ও।
ঐসু লাক্কে ইমা ও!
নোং চুই লাক্কনু
যেম্পাক তুপতুনা মলাক্কে।
লম্বী নাল্লী লাক্কনু
চৈশু শুদুনা মলাক্কে।"

হায়বিবা মথক্কী ৱাহৈ পবেং তরুক অসিনা হৌজিক কন্না ঈহৌ ওইরক্লিবা ফুকুপ অমগী মশক তাক্লবা ওইবিবা লোল, মযেক, লৈপাক্কী মমিং থোনবা অমসুং লাইনিং লাইশোলগী মবমদা অচৌবা ঈহৌ অমা লাক্লিবা অমসুং মসিদা থেংনবিবা খুদোংথিবশিং অসিগী মওংশিং অসিবু মযেক শেংনা খুদোনবীনা থিন্দুনা তাকই।

মমা লৈপাক্কী মযেক চৎলক্লবা, লাইনিং লাইশোল মপুং ফাবক্লবা, লৈপাক্কী অশেংবা মমিং থোক্লরবা, মীতোপ তান্থোরবা

হো°নবিবা নহাবোল কযা অসিবু শন শেন খোঙগী থোঙযাইদা লৈবা বৌই। মবৈপাক্কীদমক মীপাইতুনা নংহৌববোই মতাংগুম চেল্লিবা মীওইশিংবু শন শেন থোঙগী থোঙযাইদা লেপ্পা বৌবগী মবম নৈনতুনা অমুক যেংশি।

শঞ্জেনথোং হাযনবমবা শঞ্জেন থোং হাযবা নত্তে। শন শেন থোঙ হাযনি।

শন—শন্দোকলবপা— কবিবু শন্দোকলকপা নোংচুপশোনগী লাইনিং লাইশোল অমসুং নৈঙাকলোন শন্দোকলকপা।

শেন—শেন্নবা—কবিবু শেন্নবা— হাযবিবা মণক্কী লাইনিং লাইশোল অমসুং মীভোপ তাঞ্জোবপগী ঈহৌদা থৌদা পুনিবা অমদি শেন্নবিবা।

থোঙযাই—থোঙ মযাইদা লেপ্পা—থোঙ শঙলিবা নোংচুপলোমগী শন্দোক্লকফম ওইবিবা, লীথুল ওইবিবা থোঙগী মযাইদা লেপ্তুনা ঙাক্তুনা নৈববু থোঙযাইদা লেপ্পা কৌই।

অসুম্না হোংজবিবা নহাপোলশিংগী হোংনজমন অমসুং অরামন্দগী মশাগী মযেক চৎনক্লবা, লাইনিং লাইশোল হৰ্জিল্লক্লবা, লৈপাক্কী অশেংবা মমিং থোল্লক্লবা মতম অতুদা, হায খ্রিবশিং অতুনা মপুং ফাগৎলক্তুনা মীযাংদা পুখোবপা যাবক্লবা মতম অতুদা মীতৈ লৈমা ইমাগী চীঙ লেম্না ফজনবা শক্তম অতুবু শমু মীযামদগী পুমহেন হেন্না ফজনা লেম্না থিনগৎলক্লবা মতমদা অতুম ওইনবা ইমাগী শক্তম অতুবু মীযাংদা লেন্নজগে হাযববু—

"ঐনা হয়েং চাউবগা
চাউব যাংঙ্গাল ফাবগা
শন শেন থোঙগী থোঙনাইদা
শামু তোংতুনা লাকপনা
ইমা নংবু ওকচগে।"

হায়রনি। অসুম্না অসুক ফজথ্রবা লিবোল হায়রনি লোন্না লৈহুনা থম্নমবা তসিবু মসিগী ঐখোয়গী মীরোল তসিনা য়াবিশু থৌশাবিদ্রি। অসিগুম্নবা মনল য়াংথ্রবা পাউখোঙ অসিবু ইপা ইপু লাই ওইথ্রবশিংনা চেংনা লুনা মীরোল্স মীরোলদা মাং হন্দনা লৈহৌনবা মথঙ মথঙ য়ৌশু চৈশে ওইনা শম্বীপনা তুংদা হৌরক্কদবা মীরোল, মচা মশুগীদমক থমনীবন্নীব। মসিবু ঐখোয় পুন্নমবা তৌবিমল খংনা উংযম থোরই।।


TKS
নিংথি তুরেন

গোবিন্দ নিংথি তুরেল ৱাংমদা থুপখিগনি

গোবিন্দ নিংথি তুরেল ৱাংমদা থুপখিগনি হায়বা পাউনৌ অসি মতম কুইববগী মমাংদগী অহল লমনশিংনা অসুম ঙাংনবকপদগী ঙসি ফাওবা অহুম লেপতনা তাববি। মীতৈ যাওন হেন্না হেন্না কনথৎলকপগী মতিক খোন্থাং অসি হেন্না হেন্না কন্না থৈশিল্লকপগুম তৌনি মীতৈ লাইনিং চৎলবশিংগী মনক্তদি ৱাফম অসি যাম্না চেৎনা থাজনৱিবা অমনি, গৌবশমপ্রদায়দা লৈবিবা হিন্দূ মীতৈশিংদসু ৱাহৈ অসি মীতৈ যাওন লাক্লিংদে মমাংদগী ঙাংনবকপা ৱাহৈ ওইবনা ৱাহৈ অসি কবি কবম্বা মঙংদগী হায়বম্লী বনো হায়বা ৱাখল অসি ইথা থাদোকপা ঙমদে। করম্না গোবিন্দবু কবোগী নিংথি তুবেলদা কনানা চংতুনা থাদকুগদৌবিবনো। ওইথোক্তবা তোকঙানি থন্দূনা শুকথা থাজদবা মীওই কাংবু অমা লৈতবসু নত্তে। অহুবু মতিক মযাই লৈনবা অহলশিং অহুবু লাইমক্লি খঙ্গনা অমসুং অহলশিং অহুনা থম্মীবম্বা পাউবৌ থুদিংমক শোয়ফদ্রবা লাইৱামক্লি খঙ্গবা মীওই খরদদি থম্মীবম্লীবা ৱাহৈ পরেং "গোবিন্দা নিংথি তুবেল ৱাংমদা থুপখিগনি" হায়বসে শোয়ফদ্রবা লাইৱামক্লি হায়না থৈঞ্জে। অহুবু কনিগী করম্না

হায়বল্লিবনো হাযবসি মীওই কনানসু নৈনব্রি। রাহৈ পবেং অসি থুগাইছুনা অমুক্তং নৈনছুনা যেংশি। ঐনা নৈনজবিবা রাখল্লোন অসিনা অচুম্বনি অবোইবনি হাযজবদি নচ্চদে—অদুবু অমুক্তংদি নৈনছুনা যেংশি। হৌজিক মীতৈগী যাওল অমা লাক্লিবা অসি ঙসিদগীনা চহি তবামবি তবামঙাগী মমাংগী মতমদা ওইবস্বা মীতৈ লৈপাক অদুদি ওইদ্রে—হৌজিক লৈকাই লৈকাই খুদিংদা লাইতোংবী হায়বা কযা অমা ফাওগৎলক্লী মখোযবু থাজবা মীওই কযা কযা অমসু লৈতবা নত্তে। থাজবশিং অদুগী মতুংদা ইনাক কৈবাক খুল্লবা মীওই কযা অমদি এমঃ এলঃ এঃ, মন্ত্রিগী মুপি অঙাং কযা অমসু যাওদবা নত্তে রাফম অসি অইবনা মনিংতৌনা পংহায হাযজিনবা নত্তে — মথক্তা পঙ্গথ্রিবা মীওইশিং অসি লোন্না নত্রগা যোংনা লাইতোংবীশিংগী মনাক্তা চৎপি হাযবা অসি শোযদনা রাযমনি। হাযবিবা তৌবা ঙম্বা মীওইশিং অসি মখোয মখোযনা থাজবা লাই-তোংবী অনমমদি শোযদনা কোন্দুনা লৈবা মীওইঙাক্তনি মসি লোন্না ফোংলবা রাফম্নি। অইবনা পংহায হাযজিনব্রা হাযবদু খুন্নাই অসিদা পুন্না লৈমিন্নবিবা মীওই ঙাক্তনি পুক্নিং শেংনা অমুক্তং খঙ্ডুনা যেংবীয়ু শোযদনা অচুম্বা ওইবমগনি। অসুন্না নোংমা নোংমগী লাইতোংবী মশিং হেনগৎলকপা তোক্তি লোই-ননা যুমথোং খুদিংগী শুমাং মতোন্দা মীতৈ লাই লাৎনবা লাইশঙ অমমম লেপ্তুনা শাগৎনবকপনা লাইশঙ মশিঙ থিবা ঙমশিল্লক্তে। যুমথোঙ খুদিং মেবা রা যুংবগুম যুমথোঙ খুদিং লাইশঙ ঙাক্তা

ঙাইশিল্লক্লে। ঙসিগী লৈপাক অসি ঙসিদগীনা চহি কুনগী মমাংগী হিন্দু লৈপাক অহু নত্রে লৈপাক অসি মীতৈ লাইনিং লাইশোলগী ওইবা লৈপাক অমগুম্না অউংবা খুঙগী মওংগুম্না যাংনা লৈশিল্লক্লি। হৌজিক চংশিল্লক্লিবা অযাংবা খোঙচৎ অসিনা চন্দ্রবদি ঙসিদগীনা চহি থরগী মতুংদদি গোবিন্দ নিংবা অসি ইকাইনবক্কদ্রা হায়বগী চিংনবা পোক্কবা ঙমদে। অসিগুম্বা ওন্ন-ক্লিবা ফিভম অসিবু তুংগী মওংবু লাম্না উবা ঙম্বা লাইগী মতিক মযাই ফংলবা অহনাশং অহুনা তাকপিবম্বা ম্না য়াথং, "গোবিন্দ নিংথি তুবেল ৱাংমদা থুপখিগনি" হায়বা অসি শোযফত্রবা ৱাফম্নি খল্লি। গোবিন্দ অসি থৌনা যবা কনানা নিংথি তুবেল ৱাংমদা চত্তনা হুন্দোকউগদবা নত্তে গোবিন্দ অসি "নিংনবা থিনবা তুবেলগী ৱাংমদা" লৈথ্রগনি হায়ববু পাউখোঙ চন্দুনা থম্মীবম্বনি। ঐখোয় হৌজিক পুম্না ফমিন্নহুনা ৱাহৈ অমুক্কং থুগাইমিন্নহুনা যেংশি—

গোবিন্দ—গোবিন্দ

নিং— নিংনবা

থি - থিনবগী

তুবেলগী— মতমগী ঈচেল, তুবেলগী

ৱাংমদা—মিৎযেংগী ৱাংমদা

থুপখিগনি—মশক উথ্রবোই, তুংগী মীবোল কনানসু খল্লববোই ।।

অইবনা কোংজরিবা পাউখোঙগী অচুম অরাল লেপ্পীবা নৈনবদা খাঙবিরিবা পাবিরিব। মতিক মখাই লৈরবা মীওই শিংগীনি। ইজবিবা অসিনা অচুম্বমক্তি অরোইবমক্তি হাযজবা অইবগী ইতিক লৈজদে।। খাকম অসিগী অরোইবদা অইবন নিংশিংজনিংবদি মথোং চুক্কবা কনানা গোবিন্দবু চুচুনা পুথিচুন কবোগী নিংথি তুবেল খাংবদা পুচুনা চুন্দোনখিবা খাই হাযচুন নিংশা থিচুনা শিফাই শংহন্দুনা থম্লীবা অসি অবেম্বা কান্নদবনী লাইবু মীনা ঙাকপা ঙম্বা হৌনদে। লাইদি মানা লৈনিংলক্তুবা মতমদা মথন্তা হৌগৎতুনা চৎখিবদা কনানসু খাম্বা ঙম্মোই। য়াওনদি মতম্না পুবক্কদবনি মতম যৌদ্রিবৈদা ঙাইহমদবা ইচিল ইনাও কনানা মীনা লাংচবা লাইদা খু থাফবোই তাইবং মীওইবদি অমত্তনি মানা মানা পামজবা লম্ পীদা চংনখিবনা খেৎনন। উইনবতনি।। অতুবু অবানবা যাওবকপা কযাদি খুনাই অসিদা ইংনা তপ্পা লৈমীন্নবা যানবা নৈনচুন। চুমথোক্লবদি তঙাইফদবনি।।

ক্যব ক্যামলৈ মতোন্দা
খুংলাই ফিজেৎ লোংলি

ক্যব ক্যামলৈ মতোন্দা খুংলাই ফিজেৎ লোংলি হায়বা মথক্কী ৱাহৈ পবেং অসি অইবগী মীবোলগী মমাঙদগী মীবোল কয়া অমদগী হৌনা ঙাঙনরক্লবা অমদি মমাংঙৈগী অনিশুবনচিংবা তম্লকপদা অতুম যাওবক্লবা ৱাহৈ পবেংশিংনি। অদুবু হায়বিবা ৱাহৈ পবেং অসিদা কবি কবম্বা পাউতাক কিশি কিহুনা থম্বীবম্বগে হায়বহুদি ঙসি ফাওবদা কনাগুম্বনা নৈনখিবা থেংনদ্রি — মীতৈ অহলশিং অদুগী অৱাংবা ৱাখল চংখোলবা পুৱিং অদুবু অপংবা ওইজরবস্থ অইবনা শিংথাদবা ওমজদে। অহল-শিং অদুনা মরৈবাক্কীদমক তাকপীহুনা চেংনা কিশি কিহুনা থম্বীবম্মীবা পাউখোঙ পাউতাকশিং অসিগী লমন লাইনিক হৈবগা লাইশু খওদবা ঙসিগী মীওই ঐগোপ খুদিংমক্কা তোল্লবনি মবেক মহাও যাওদ্রবা মপালগী কুযোমতগী ওইবা অবং অবাক মযাম অদুনা মীং থক্কংখিহুনা লমদম অসিগী মবেক মহাও অদুবু নোংমতফাওবা মহাও তংনিংলুবা পোকখিদ্রে। মীগী মীতৌ তম্নবা হোৎনবদা অশেংবা শক্তম অদু মাঙখ্রে হায়বহু মশানা খঙজদ্রি মশাগী মমাদা "ইমা" কৌবা ইকাইবি মশাগী মপাদা "ইপা" কৌবা ইকায়বা পোক্লবি—হে মীতৈ হিন্দুগী মপোক

তোল্লিদা! অতুবু হৈশিংলবা অহল্লশিংনদি থোনবীলম্মী মখোযবু মীগী মতৌ তমদুনা পানবদা হৈনজবা "মীতম্বাল" হাযনা অমুকসু হাযবিরমই "মীগী মতৌ তমখাক হঙোই মবিল শিং শাং" হাযনা, মখোয অসিদি মমা মপানা তুদুনা তাদুনা লৈববা ফাওবদা কাল্দুনা চৎপা ঙম্বা মশাগী ওইজববু ফংলবদি মমা মপা ফাওবা যোন্থো-কুনা চাবা ঙম্বা খুদোং চাবা চাবা থিদুনা ফল ফল চোংশিনবদ ইকাযদবা মরিল যাওদবা শিং শাং শিং শাং নাম্থোকপা হৈবা হঙোই মবিলগুম্বা মীওইশিংনি হাযনা লৌশিং চাওববা অহলশিংনা শৈথাবিরমই। লৌশিং চাওববা লাইগুম্লব, অহলশিং অদুনা তুংদা লাক্কদবা মবিশ চুমদবা মচাশিংগী মনিং ফাওবা থোদুনা থম্মোই-বম্লীবা অসিবু করম্না শিংথাদনা তোক্লসিগে।

হৌজিক্তি পাবিবিবশিংগা লোইননা পুন্না ফম্মিন্নদুনা "ক্যব ব্যামলৈ মতোম্দা খুংলাই ফিজেং লোংলি" হাযবা পাউখোঙ অসি অহলশিংনা ববিবু তাকপীবম্বনো হাযবদু খুমাইমিন্নদুনা অমুক যেংলশি।

"ক্যব ব্যামলৈ মতোম্দা
খুংলাই ফিজেং লোংলি"

হাযনা ইবা অসি ঐখোয়গী মীবোলশিংনা অনিশুবা লাই-বিক তম্বা মতমদা হেক হেক তম্নীবকই। ৱাহৈশিং অসি পাউখোঙ ওইনা থম্মীবম্বনি মখাগী অসুম্না হাযবা ওইগনি খল্লি।

"কিযোক কী যাম লৈ
মতোম্দা খুংলাই ফিজেং লোংলি"

ৱাহন্থোক তৌডুনা অহলশিং মতিক মযায চাওববশিং অতুনা ববিবু পাউখোঙ চন্দুনা থগ্নীবগ্নবনো হাযবছু যেংশি।

কি—কিশিন্দুনা

যোক—যোক্তুনা থম্বা চেকশিন্ন থম্বা,

কী—অকীবা, খৃদোংথিবা

যাম—যান্না, মবাং কাইনা

লৈ - লৈবা, কোইশিনবা

মতোন্দ—ৱাংনা, মীনা শোকপা ঙমদবা মফমদা

খু লাই মপাঙ্গল ওইগদবা পোংশক হাযবদি মীতৈশিংগী মশক মওং তাক্লবা খুংলাই হাযবদি মীথুং চংদ্রিবা শেমজিনবা যাংদ্রিবা লাইগী মশক ওইবা অশেংবা পুযাশিং

লোংলি - চেকশিন্না লোত্তুনা তাইবং কনা খঙহন্দনা থম্মী।

অসুম্না কিযোক কী যাম লৈ মতোম্দা খুংলাই ফিজেৎ লোংলি হাযবদি মীতৈ ঐখোয়গী পাঙ্গল ওইবগদবা, মশক মচু তাক্লগদবা মীতৈগী মীং ওইবগদবা মীতৈগী কন্নবা, মশক তাক্লবগী খু লাই ওইবগদবা পুযাশিং অতু কল্লকপা যেংথিবনা ংল্লবা, অসী তুজুং পোকপা মফমগী ৱাংমদা থমতুনা তাইবং মীখুং কনা শোক্তনা তুংদা লাক্কদবা পাগী পাবি তত্তবা পূগী পূবি তত্তবা মীওইশিংগীদমক্তা চেকশিন্না কিশিন্দুনা লোত্তুনা থগ্নীবী হাযবসে হাযরিবা "কিযোক কীযামলৈ মতোন্দা খুংলাই ফিজেৎ লোংলি"

হাযরিবা ৱাহৈ পবেং অসিনা শেংনা তাক্লি। অসুম্না ইপা ইপুশিং অদুনা তুংদা লাক্কদবা চাবোল শুবোলগীদমক্তা চেকশিন্না লোত্তুনা থম্বীবন্নীবা মযেকশিং অদু নোংমদি শোযদনা পুথোক্নুনা কিশি খোক্লকপগা লোইননা মীতৈ ঐখোযগী যাংনেসু মশক মচু থোক্লা ঙাল্লগনি হাযবদা থোইনা হাযমনবা থোকওইদ্রা হাযনা খল্লি। অইবনা নৈনজবিবা অসিগী অচুম অবানদি পাবীবীবাশিংনা লেপ্পীযু লোইননা লাই ওইথ্রবা ইপা ইপুশিংনা তুংদা লাক্কদবা চাবোল শুবোলগীদমক্তা কযাদা লুংশিনা খনবীবস্বগে হাযবা সিমতগসু খঙজীনবীযু।


বোম বোম শাগাই তোং চানবা লৈতে উখেন যাও
TKS

নোম নোম শগাইতোং
চানবা লৈতে তখেল থাঙ

নোম নোম শগাইতোং, চানবা লৈতে তখেল থাঙ হাযবিবা মথক্কী বাইহ পবেং অনি অসি মতম অমদা মগাংগী মীবোল-শিংনা অঙাং ওইবিডৈদা উশা বাশাদা তোংহনা নোম নোমহনা শান্নবদা তত্তনা "নোম নোম শগাই তোং, চানবা লৈতে তখেল থাঙ হাযহনা শৈশকহনা শান্নবশ্বা বাহৈশিংনি। মসি লৌশিং শিলবা লাই ওইথ্রবা অহনশিং অহনা অঙাংশিংদা শান্ন বাইহ পইনা ওথীহনা থম্বীবশ্বা মমল যামথ্রবা মতম খোঙচৈ তাবপা পাউবৌগী শান্ন বাহৈনি অহুগুম্বা লিববা কুইথ্রবা মগাংগী মতম অহুদা লৈবীবশ্বা চীংউগী মতিক মযাই ফংলবা অহলশিং অহনা তুদা লাক্কদবা মচা মশু চাদা নাওদানা থেংনবক্কদবা অবাবশিং অমমুং ওইবক্কদবা ফিভমশিং অহুবু তাবপীহনা শৈশকপীবমবনি। থাউনগী মতম অহুগী মীতৈগী যুম্বালদি চাওথোকচনিংঙাইহনি অবাংপা লৈ... মীতৈ খুদিংমক্কী বাখল্লোম্দি মীঙোন্দা হাযজদনা নিজ-কদনা বাত্ত পাদনা পানবা হাযবদি বাংশু বাংহন্দবা, পাশু পাথো-বহন্দবা যান্না চেকশিন্না পানবা অসিনি। ইমুং অমা পানবদা ফৌকৈ, শিংকৈ, শনকোন্নচিংবা মফম চানা চানা শেমহনা, শনগী শনকোন থন্না, ফৌগী ফৌকৈ থন্না, শিংগী শিংকৈ থন্না কুম অমগী

চাবা ৱাংতনবা অমদি চংগদবা পুন্নমক মবাং কাযনা পৈশিন্দুনা থম্নগা, মপুক থন্না থন্না চাদুনা অহাংবা মতমশিংদা পুন্সিবোল কাংলোন শান্নদুনা হাযবদি শগোল কাংজৈ, মুক্না কাংজৈ, যুবী লাকপী, মুক্না, লমজেল, চেনজোং, মাংজোং, লান্নবা, নমনবা, শেবোতি কাওনবা, শন ৱাইনবা, অমাঙ্গোই তানবা, থাং তা অমসুং শবিং শবাং মথল কয়া পুথোক্নুনা শান্নৈ অমদি উঝা, মরু নাইনদুনা থকশী কাবল বাইদনা চেকশীন্না তম্মী, মথক্কী মশানশিং অসিদগী ফংলকপা ফিদুপ কযাবু মশাদা শুনা থম্মী নিপা অমা ওইবগী মতিংবু চপ চানা যোক্নুনা থম্মী। মঙ্গো-লিযান ফুরুপ ওইবা মহৌশা, লান পাম্বা অকল তংদৌ ওইবগী হুংঙাইজবদু পুক্নিং অমসুং হকচাংদা ইবোইতা লোইনদুনা লৈ। মথক্কী মশান্নশিং অসিনা নিপা অমা ওইবগী চপ চাবা মতিক মথৌনা লৈহল্লি মতম পুন্নমক্তা মামান্নবশিংগা চাং যেংননিংদুনতা লৈহল্লি। মখোয মশেল থেঙ্গাইনবগা, মুক্নবগা, চাং যেংনবগা অপেনবা হাযবদু ওইনৈ। খোইখা লিনখা থানদে হেন্নদুম হুংশিনৈ মশানশিং অসিগী কান্নবা ঐখোয অমুক্তা নৈনদুনা যেংশি—

শগোল কাংজৈ:—ইচম চম্না শগোল তোংবা হৈহনবতা নক্তনা শগোলবু শান্নপোৎ ওইনা শাগোম্নদুনা শিজিন্নবা মশান্না অমনি। শগোল কাংজৈ শান্নবা ডমজ্রিবা মী অমনা শগোল শিজিন্নবদা হৈশিংলে হাযবা ওইথোক্কে। কাংজৈ কাংলোন্দা পুক্নিং লুপথিবনা পাইবক পাইথুগী ৱাখল্লদা লুপথিবনা, খঙচেন চেনবা, খঙলেপ লেপ্পা খঙলৈ লৈবা, লমদিং থাদুনা চেনবা, শগোলগা শগোলগা

থেঙ্গাইনবা, কাংজৈ কোংনবা হাইনবা কাংদ্রুম থোম্বদা খুং চুপ্পা, মতম চাবা পাইবক্কী লৌশিং, হায়রিবা পুন্নমক অসি শাগোম্নবদা শগোল অহু মী অহুগী মশা অহুম ওইখ্রে শগোল অসুক্কী মাতিক হৈনা শিজিন্নখ্রে মহুদি শগোল মথক্তা ফম্মী হাযবা কাওখ্রে শগোল অহু মী অহুগী মশাদা মশা অহুম ওইখ্রে। হাযবিবা অসি অইবনা পংহায হাংজিনব্রা হাযনা পাবিবিবশিংনা থনবীরমগনি অহুবু মতম অমদা মপান কাঙজৈবুঙদা শমজাই, থৌবানি শাবী অননা পানা পানা লেপ্পহুনা চযোল চযোলগী লেপ্পনা শানখিবা শগোল কাংজৈ উবিহৌবা মীবোলশিংনা থঙবীরমগনি। হাযরিবা বৈষ্ণব ধর্ম্ম চংলবা মীওইশিং অহুনা অহুক থৌনা ফনা উববদি মীতৈ লাইনিং লিচং কাযদনা লৈবিতৈ মতমদদি কযাদা শাথিবমগনি। অহুগুম্বা শগালদা হৈশিলবা মীওইশিং অহুনা লাগ্মী ওইবদা মতম অহুগী মালেমদা মীতৈ শগোল লাম্বীগী লম্বা পাবদা কবধা ফুকপ্পা ৱানা থোক্লোইদবগে হাযবহু মুন্না খন্তহুনা অমুক্তা যেংলীযু।

মুন্না কাঙজৈ :—মুন্না কাঙজৈ অসি হৌজিক্কী মরিল হামচংনবা মীওইশিং অসিনা শান্নবা উবা ফাওবদা মপানগী মীওইশিংনা যেংবদা মকলাক নিক্তবা, মশাদা হুমাং অনপ্পী কাদবা মীওই যাওদে। মুক্রা কাঙজৈদি তখন্না মথৌনা লৈবা মপাঙ্গল কনবা লৌশিং শিংবা খনগৎলবা মীওই খবতগী মশান্ননি। নিঙ্গি, তাশংহুনা মথুং চাবা লিক অমা পাযহুনা মথুং নামনা কাংদ্রুম পাযবগা মথুং নামনা লিক অহুবু উক উক লৈহুনা মনিং

তেকখোক্তুনা চেল্লিবা নিপা অমবু মান্নবা মখুৎ চাবা লিক পাযবা নিঙ্গি, শেংপা নিপা অমনা মনিং তেকখোক্তুনা তান্নরগা ফানবা হোংনবদা থেংনরিবা লাল্লোং অহু অইবা কনানা শিংথাবা ঙমগনি। থৌনা, লৌশিং, পাঙ্গল অমসুং হৈশিংবা শুনা শিজিন্নবা অসিগুম্ব মশান্নদি মালামদা খবা তাংলগনি। অসিগুম্বা মীওই অসিন মতম অমদা মীতৈ লাম্মী ওইবস্বনি মমা লৈপাক্কী নিংখা তম ঙাক্লস্বনি।

যুবা লাকপী:—মশানা অসি হৌড়িক মতমদা হাযবগ মপানগী মীতৈশিংনা শান্নবিবা বগবীগী মথংনি, বগবীদি মীচ-খাইতুনা লেপ্পরগা যুবা মানবা বোল অমা কাওতুনা মুংতুনা শান্নবা মশান্না অমনি মীতৈগী যুবা লাকপীদি মতু নাত্তে। মশ মউ ফবা মপাঙ্গল বনবা লাক্ল ফানবদা হৈশিবা মীওই খন নিঙ্গি, শেত্তুনা থাদোক্লগা পাকথ্রবা লম্চাং অমদা যুবা অম হুঞ্জিল্লগা লাক্লহন্দুনা শান্নবা। কুম্মৈ অমনি যুবা লাকপী শান্নবদ যাওনিংবা মীওই থৃদিংমক যাওকবা যাই শান্নবোইশিংগী মশিং লেপ্পে। যুবা অতুস্মু পাক হেক পাযবা যাদনবা হাযতুনা থাও পুন্না তৌশিল্লি। মীতৈ যুবা লাবপীদা লুংঙাইরিবদি মফি অমত্ত যাওত্রবা নিঙ্গি, শেংলিবা নিপা অতুনা যুবা তাপ হেক পাযবদা মমাংদা লেপ্পীবা মাগা ফিজেৎ মান্নবা নিপাশিং যাম্মৈ খঙদে চামা খঙদে মমাংদা হেক লৈবিবা পুন্নমক অতু যুবা পাইবীবা মী অতুগী লম্বানি যুবা পাযবিবা নিপা অতুনা মমাংদা লেপ্লিবা মীওইশি অতুবু তুমিংবুম্না উই মমাংদা থত্তুনা লৈবিবা মীগী পল অদ

নমথাযজুনা চংকনি হাযবসি মাগী অংবেপ্পনি অমসুং পল তজুবু নমথাযজুনা চংনবা হোংনবকপা, ইন্নবকপা, লংনবকপা অমসুং অনানবা পাযবা যাদবা যুবী অজুবু মুন্নবকপগী বাংলমশিং অজুনা অবেংবশিংবু হাযনিংঙাই লৈতনা মুংঙাইহল্লি। অসুম্না মতম শাংনা লাক্লবকপদা যুবী লাকপা ঙম্নবকত্রবদা যুবী অজু অবাপ্পা পন্থুংফম মযাদা থম্লগা লেমজেন্না তানহন্জুনা হান্না যুবী লাকপা ঙম্বা নীদা মনা পীবা চংনবম্মী। মতাং অসিদা অইবনা মুংঙাইবা ৱাফম তমা নিংশিংলবই যান্না কুইনবগী মতম অমদা তাকলেল পাত্তা যুবী লাকপী শান্নবা অমা উখি। মজুদা শান্নবা থোক্লবখিবা মীওইশিং অজু নশা মউ ফবা মীংই ঙাক্তা ওইনা তৌখি মযাম অজুগী মবক্তা মশা ইপা পাবা মবেপ ইৱাং ৱাংবা নিপা অমসু লিঙ্গি শেত্তুনা শান্নবা অজুদা যাওবা উখি। শান্নবা অজুদা মযাম যুবী মুন্নবা, লাক্লবা, ননশিন্নবা অজুদা মপাঙ্গল থেক্লা যাওবা ইদে মনিংদা মযাদা মীগী মতুংদা লৈথোক লৈশিন তৌদনা অজুম মবৈ। মজুদা মশাসু ৱানিংদে মাবমসু যাওদে কবি লৌনবা যুবী লাকপী যাওনিংলিবনো হাযনা অইবনা খনখি। মতিক মপা চাদনা মনা ঙবোং পীমজুনা লৌবিমাল্লে হাযজুনা অইবনা লিপা অজুবু ওন্থোক্লা চোপ্পা খল্লমই। অসুম্না অসুম শানবকপনা মতম ফনা কুইনা শানববা ফাওদা যুবী অজু লাক্লবা ঙমদ্রজুনা লমথাজুনা যুবী লাক্লবা মতমদাদি অশাইগী মশা পাবা নিপা অজুগী হৈনবী ওইবমজুনা মানাযাংনা মযামদগী হেন্না চেনখিজুনা যুবী অজু লাক্লুনা পন্থুংফম যৌখি, "ইহে লৌশিংনসু যুবী লাকপা য়ারোইবে" হাযনা অইবনা খনখি।

অসুম্না যুবী লাকপী শান্নবদা পায়া পুন্নিং চংনা যাওবিবা মীওইশিংনা যেন্নবশিংগা লম্বা পান্নবা মতমদা যেন্নবশিং। মশিং ফনা যান্না হেন্জুত্রবসু মীতৈশিংনা কবিসু নাচুংবা পোকপা লৈখিদে। যুবী লাকপী শান্নবদা পোকখিবা বাখল, অমগা চাম্মগা লম্বা ভৌনি হাযবা বাখল অত্থু মতম পুন্নমক্তা পক্তুনা লৈ। অসিনা মরম ওইদুনা মশিং যামদবা মীতৈ লান্মীনা মশিং যান্নবা অচৌবা যুন শান্নবশিংদগী নিংথা তম্বা ঙাক্তুনা লম্বা থেন্নমই। মশান্নশিং অসি কনানা পুথোকপীবম্বনো হাযবদু পাবীবিবশিংনা খন্থদুনা অমুক্তা যেংবীয়ু।

মুন্না :—মুক্লানা পাইবক্কী লোনা মী অমবু মখাংদা তাপ পাইদুনা লংথনবগী লৌ কযা হৈহল্লী খংলাই যাওনবক্তবদা শাগোন্নবক্পা মতমদা অহানবা যিথুপ লৌহৌনবা হোংনবদা মুবানা অংথোযবনি।

মথক্তা পর্নখ্রবা মশান্নশিং অসিনা মপুং ফানবা মীওইশিং-গি নি অঙাং ওইবিবশিংগী মশান্নদা তম্বীবিবনা তুংগী যুম্বীলোল অমা ওংহৌবদা লনজিং ওইগদবা অমদি হিংবদা শাগোন্নবগদবা ঙাক্তনা মরম ওইহন্দুনা শান্নহল্লি অঙাংশিংনা শান্নবদা শিংথাবা য়াব খর্বা—

শেবোতি কাওনবা :—ফম্মগা মাযযোক্লদুনা মখোং ফৈনা ফৈনা শিংনা চোংদুনা কাওনবা অসিদা কুইনা শাংনা চোংহৌবা ওম্বনা অথোইবা ওইবা অমদি কবিগুম্বা মতমদা নক্লা চোংশিন্নদুনা অমগা অমগা ইন্থুনবা ঙম্নবা হোংনবা। মশান্না অসিনা নৌবি-ঙৈদগী হৌনা মাবল থাবা অমদি খাঙবা কনবা তম্বী।

তমাঙ্গোই নত্রগা উবাওবী তান্নবা :— মশান্না অসিনা অচাংশিংদা নৌবিদৈ মতমদগী হৌনা নিংশা কাংলোন তম্বীবা হৌই অমসুং মতম শাংনা নিংশা হোন্থোক হোঙ্গিন ছন্নবা পাদৈ নযা হেনগংহল্লি। নিংশা কাংলোন শান্নবা হৈবা হাযবা অসি পুন্সি বাপ শান্নবা মীওইশিংদা চংদ্রবা যাদ্রবা কাংলোন অমনি।

থবী যুকপী মাইবেল ফুকপী :—খুংশান্না অসিনা উখোংদা কন্না কোন্দুনা খাঙজিবা অচাং অমবু মযাম মরী মরী শম্নানা চং বপদা তত্তুনবা উখোংদা কন্না যান্দুনা তত্তুনবা খ ঙবা হোংনবদা অচাং অদুদা হান্না খচঙমদবা খাংবা কনবগী তনৌবা থৌনা কযা হেনগংহনবা পী। অসুন্না লাই ওইববা অহলশিং অদুনা অচাং নইবিদৈদগী তৌনা শান্নহনবদা ফাওবা খাঙবা কনবা, থৌনা অমসুং পাঙ্গল হাপকংনবা অমদি মুক্লবা অনসুং অচম্বা তান্নবা হাযবা নংস পুন্সগী হিংনবা লানামদা চংদ্রবা যাদ্রবা পোৎশাশিংনি হ যবা অসি পীব্লিবা অচাংশিং অদুদা খদা থবতা ওইনা চাং তনদুনা হাপচিনবা হৌই। নুপিমচাশিংবু লাইধি শান্নবা তাদুনা নুপীমচাশিংগী পুন্সিদা চংদ্রবা যাদ্রবা পুন্সিগী যুম্বালোনবু তম্বীবা হৌই। অসিগুম্বা লাই ওইববা অহলশিং অদুবু হৌজিক নতমগী মীবোল তম্বা হোংনবদা লাইশু যাওদ্রবা মীবোশশিং অসিনা কাংখথাং তাহল্লে।

অসুম্না শেমগংখ্রবা মীতৈ অহলশিং অদুগী থৌনা হায-রুদুনা কান্নদে অইবনা প্পামজদুনা পংহায হানজিল্লীবনি হাযদুনা নৈনবদা যাওবীরিবা মীওইশিংনা খনবীগনি নৈনদুনা অমুক্তুংদ

যেংসি মসিগী অচুম চুমদদি মতম বৌবী লাইবেথ্বীনা মতম খোঙলৈ তু ইন্না পুথোকপীবকপা ওইশিন্নু।

তা চাযনবা ঃ—মাযয়োন্নবা চাং সেংনবদা মীতৈ ইপা ইপুশিংগী চাযনপুং থোন্নহনা তা লাংনহনা চাং যেংবা অসিদি মালেম অসিদা মাগী মাগী ফুরুপকী ওইবা খৌনা ফবগী থাবিক লিংবকপদা মীতৈ ইপা ইপুগী খোনা ফবগী বাবি তসিসু মীয়োন্দগী পংতা তাগাদি থাজদে। তা চাযনবালদা লৈরিবা খৌনা ফবগী বাকিশিং তসি নৈনহনা ইপা ইপুশিং অহুগী খৌনাবু অমুক্তং চাং যেংথোবশি

ইপা ইপুশিং অহুগী মতিক মযাই অহু শিংথাহনা লোই নাইবা নত্তে, মতম অহুগী মীওইশিংনা যেংনবকপা অম থংনবকপদা অচুম অপাল লেপ্পা ঙমদবদা চাযনপুং থোন্দং তা লংনহনা অচুম অপান লেপ্পবম্মী, শাহগী ব য়েন্নী থাঙনবমচ চাযনপুঙ থোল্লমদাই মতমদা শিংনবিবা মীওই অনিহুগী তা লাংব অশানবা হংনৈ পুকচেল শেপতনা অশেবা তাক্নে। নিপা অমম লম কুন শাল্লবা নিপা অমনা লম তবামঙাদমক শাল্লবা ল তবামচাদা হঞ্জন্দুনা চাযনপুঙ থোন্নে। তা লাংনবদাইদা পাথৌনা হান্না হুল্লু, পাথৌনা হান্না হুল্লু হাযহুনা লাথোক্নে। হুন্নবক্লবা মতমদা অহানবা হুল্লক্লিবা তা অহুনা লাকপা মংসদ লেপ্পবিবা খোঙফম থাদোক্লহুনা চেন্নদে খোঙফম লেংদনা লাক্লিবা তা অহু মশাদা শোরহন্দনা ফানবা হো নৈ। কনিগুম্বা শোযনিহুনা মশাদা তাদোন্না খেৎখিহুনা মশাদা ঈনচিংবা থোকখিবা থোক্লবদা পুক্লিং চিংনবা লৈতনা তা হুল্লকইবা মী অহুদা চংজহুনা "পাথৌ

মংনা ঙমজবো ঐগী লালু চোমায অসি লৌজবো" হায়দুনা খু লাই থাদাক্লুনা খুত্থ খুদক শন শান। যেক্ল দা লালু চোমায লৌজবো হায়দুনা মঙকশম ফিংথোক্লুনা। চায়দুনা লৈ হাংপা বননা তা হুল্লিবগী মনি, ওইহল্লি। বনিগুম্বা মতমদা যাম্না হেন্না কননা মথুন্তা মী অনি অহুম তুননা মী অমদা মপা হাংখিবগী ননন খুম্লিংবগী ৈমচাক্লা লমন খুম্বা নানপা নৌজনিবা পানি অনা থেংনবা থোল্লবদি উন্নবা মতমদা তবাম তবাম অহুম তৌনৈ। মপা শক্লবা অথোবা পাক্লো অদুনা থিনকপগী মনম হংই পানি তদুনসু মপাগী মংশক ভানদা, লমন খুম্বা নাবপনি হায়না শনা তাকথানবই অহিং অত্তু লৈতবা পুথোক্লুনা হাওনা চামিন্নে হনাও হনাও লৈমিন্নে। নোং থাল্লে চায়নপুঙ শোল্লমনাইনা মপাঙ্গল হনৈ নী কয়। মথুক্তা তুংখ্র হংনন পানিনা মথুংতা নী তুখিদ্রি খুম্মী পান্নোনা খুম্মি "ইপাদি ইথুন্তা মী অহুম তুংথ্রে তাবুস্র ইপান। হেল্লি চায়নপুঙ হঞ্জীনা শোংশি, ইপাগী খু থাংবা মালেম লৈবোন্নদা যুমগে, তাসু নং হান্না হুঞ্জো, ইপাগী মংশক ভানবা ঙম্না ওইজো" হায়না তা হুন্নে, তা চায়নৈ। অসিনি মতম তত্তুগী ইপা ইপুগী থৌনা। হৌজিক মতমদনি মচুদা মঙ তাবগানি মনিদা থাজদুনা ব্রানিনি হায়দুনা লিকনিবা ওনিবু অইববু ব্রাথল চোযবে হায়নোইদোবা হৌজিক মতমগী কনম্বা নীওই লৈবমগাদগে। অইবনা পামডদুনা চোইবোল পংলোন লোল্লিবনি হায়না পানিবিবশিংনা খনবীবন্নাদ যাই অহুবু ওইথোক্লবাদ নত্তে ৈবমদি মশানা লাল অনসুং অকন অথোবু

লাইনিং ওইনা নিংজবা ফুকপ অমদদি হেন্না হেন্না থৌনা ফব উৎথোক্লরকপদা অপেনবা হাযবা লৈবোই—থৌনা ফবা মীওই শিংদা থৌনাফবগী পথ্রে লৈতে হাযবসি ৈননবদা যাওবিবিবা মীওই শিংনা মতম পুম্বদা কাওবীগন্নু। খুনাই অমগী পাঙ্গল অমসুং থৌনা অসি মাগী মাগী ফুকপ অতুগী নাং, লাইনিং লাইশোল অমদি লোইনশিল্লোন অতুগী মওং মওং অতুগী মতুং ইন্না থোক্ল-বপা ডাক্লনি। মীতৈ হাযবা ফুকপ অসি যান্না লিঞ্ববা মতমদগী হৌনা মনিং মথা তন্না মীখা পোনবা খঙলক্লনা লৈবকপা মীওই ফুকপ অমনি হাযবা অসি মীতৈ ঐখোযগী মীহৌবোশগী পুৱাবিনা অবেপ্পা খুনন্নি। পীকচবসু পীকনবা যুমলোন্নবা লৈপাক বর্ম্মা অমসুং চাইনানা যোৎশিনবা ঙমদনা চহি লিশি, কযা অমগী পুন্সিদা মীতৈ হাযবা শক্লম অসি মাংহন্দনা থম্নবা হোৎনরকইবা মীতৈ ইপা ইপুগী লৌশিং থৌনা অমসুং পাঙ্গল হৌজিক্কি মীওই শিংনা ইলায লাযনা লৌফম থোক্লে। মৈহৌবোলগী মমাংদগী লৈবক্লবা মীওই ফুকপ অমদা মতম খবা মীখা পোনখিবগী বাবি অসিদি মাযদা হামুক মচা অমা নমখিবগুম্বনি অশেংবা মীখা পোনবা হাযবা যাদে—ইনিংথৌ পামহৈবনা থাকঅম্না লাংদা মতম খন্না অতুক গুজবগী বানি। লাংদা গুহুনা লৈবিবা নোংশা অসি নোংমদি শোয়দনা লাইনা থাবা উচি অমা লাক্লনা লাংলি চিকথৎলগনি হায়বা অসি লৌশিং চাওববা মীতৈ অহল লম্মন্না পাউখোঙ চন্দুনা থম্বীবম্মী।

অসুম্না অকল অথৌগী থবক্লনা লাইনিং ওইজহুনা লাকচবা ফুকপ অসিবু বৈষ্ণবিজম হায়বা মুপানা মুপীগী বাখল লৌহুনা

লাইনিংবগী লাইনিং লম্বী অমা লৌকবদগী মীতৈ অথৌবা। ওইবম্বা পুম্বা মশা তাববা লংজাগুম মীতৈগী লৌশিং থৌনা। অমসুং পাঙ্গল হিকথহনা লৈমাযথক্তা তাথ্রে মৈরা চাওনা থাঙ্গৎতুনা থিববসু ফংলবোই থিবা মীতৈ অথৌবা, ফংলরোই থিবা মীতৈ ওকনবা। পাঙ্গল ফবা মথৌনা লৈবা মীওইদগী মপাঙ্গল ফবা মথৌনা লৈবা রাখল থোক্লকপনি মপাঙ্গল শোল্লবা, নিংশা মনম নমথিববা মীওইদগী নমথিববা, অপুম্বা রাখল্লান নত্তনা কদিনো। ঐখোয়না ফঙ্গনি খল্লিবা।

বৈষ্ণব শমপ্রদাইগী লাইনিংগা শাগোম্নবকপা ওইনা লাই-নিং লোবা হাযবত্তুদা মপোক্কী নিবা খঙজবক্তাবা মীওই অত্তুবু মচ কোকথোকপীহনা তুপী উপশিনবীবে ঝুলি যানশিনবীবে খামৈ যেপ্তুনা হূপীগুম্না ফনেক শেংচিনবীবে, যেম্পাক অমা তুপশনবীরে অসুম্না মপাঙ্গল কল্লবা পাখঙ অমবু পুন্সিগী অহানবা ওইনা হূপী শাহনা চেং নিবা তম্বীবা হৌই অসুম্না লম্বোইথ্রবা মীওই অমবু অত্তুম অমুক তোকহল্লা অহগা খুদাংচাবা যেংহনা শিবনদাইদা নম্বোই পোইশিনবসু অত্তুম মযাই। মিযানচানবু হাযববদি অমুক অচুম অরান থিকবা লৈত্রে। অঙাং ওইবিবশিং-বুনা যাওশঙ হাযবা অদুদা নৌরিবা অঙাংশিংবু নাকথেং চংশিবনি হাযদুনা য়ুমথোঙ খুদিংদা থাদোক্তুনা শেল নিবা তম্বী অমসুং নৌবিবা অঙাংশিং অদুবু শেলগী মহাও খঙহনবা অমসুং নিদুনা চাবা তম্বী। অসুম্না নিদুনা চাবা অসিনা যাবক্তুগা মুন্দুনা চাগদবনি হাযদুনা হূপী মচা মচা থাদোক্তুনা লম্বীদা ফি মুলহল্লি

শেল মুলহল্লি। হূপি মচা তনিনা অসুম্না শেল মুনদা পৈশা যাম্না ফংবা ঙমলক্কগা লৈশাবীগী নোজবিবা মমাব অমসুং মশা অদু থাদোক্কনা পাখঙ মশুং মামাম্নবদা অবেব তৈহন তৈহন্দুনা পৈশা চা'না চা'না লৌবগা থাবল চোংনবা, চাক চাননবা, লিনা পোনবা, নাশোক শকহন্নবা শেল তাল্লি। নিপা মচা ওইবশিংদনা নিবা অমসুং মুনবা অসিনা যাবক্কনদি হুবাল্লগদ্র যাবনি হায়না নৌবিবা নিপামচাশিংদা, রা হুবা, ই হুবা, পোবী হুবা, শিং হু শম্বল খুদক্তুনা হুবান্দুনা মৈ থাদোকপা তম্নী। অসুম্না চহি খুদিংগী যাওশং খুদংগী হুবানবা অসুম অসুম তম্নীখিনা অসিন ফম। মগানা খবা নিংথিনা রাবক রাতেম্না চমহৌনবা অচা অাংম্বান মপুন্সি চুপ্পা হুবান্দুনা চানা মীওই অমা ওইখি হায়বন হায়মনবা খোকওই। মপা মমানা নৌবিভৈদগী থাদোক্নবা শেল নিবা অমসুং মুনবা ভবাশ্রবা অচাংশং অদুনা ভুসিদি শা ইমং মহুংদা চংদুনা নোংমৈ পাগদুনা শেল মুনবা হৌবরীবা তসি হান্না। লৈনম্নীবা বৈষ্ণব সম্প্রদাইনা শেমকপ্রা মত্রগা তানৌব যাওন্দা লাক্লিবা মীওই খুনাইনা শেম্লকপ্রা হায়বগী অচুম অদা অদুদি নৈনবদা যাওবিবিবা মীওই ইচিন ইনাওশিনা অদু লেপ্পীবা অইবগীদি লাংলাকচবিবশিনি ॥

অসুম্না থরাই হামচংনববা মীবেল হাম্পোগনববা মীওইশিং হিনবগী লানফম কবম্না থেংনবা ঙমগদৌবিবা। অচুম্বা অশেংব লংদা লাক্লবা মীওইশিং অদুনা ববম্না মমা মপা থাকং অমসুং বনবা ঙমগদৌবিবা। মালেম অসিদা হিংনিংদবা মী

নুংঙাইনা য়াইফনা অমসুং মশাগী ইকায খুম্না ঙাক্লা লৈনিংদবা
নী অমত্তা লৈরমগনি হায়বা থাজদে। নুংঙাই য়াইফনা অমসুং
মশাগী ইকাই খুম্নবা ঙাক্লা হিংবা তারবদি মতিক, মথৌনা অমসুং
লৌশিং চঙই হায়রিবা অসিনা মাংখিবা তারবদি মীওইবনা
মী ওইনা হিংবগী মথৌ তারক্তে অমদি হিংনিংলক্তে, শিবনবু
হন্না ফাব খল্লকই। মসগী মওং অসিগী শিবা কিবক্তনা
মসদি থৌনা ফবা মীওইশিংনা শিবা কিবক্তবগী মওং অদু নাত্তে।
তৌফম খংহুক্তবা অমদি চাবা হেনবা তোয়মল্লকপদগী শিবা কিবক-
পনি। মীওইশিং অসিদা অউ অউবা মী পুন্নমক যেংনিংলক্তে।
মথক্তা অফংবা খুংলাই পাইনিংলকই অউ অউবা য়াম্নংলকই,
থেংন থেংনবা থিংনংঙকই। হায়জবিবা অসিগী খুদমদি ঙসিগী
ঐখায়গী খুনাই অসিদা নোংমত্তা বাংদনা তানবিবা হাংন-
শুনবগী পাও অসিনি। মীগী মমল লৈবক্তে, থব্রাইগী মমল
লৈবক্তে, হান্না হাংহৌবগা লোইবে, হান্না শুগাইহৌবগা লোইবে
হায়বা অসিনি হৌজিক্কী ঐখোয়না হিংলবা খুনাই অসিগী লিচং।
হায়বিবা খুন্নাই অসিগী মওং মতৌ অসিবু লাই ওইথ্রবা মতিক
মযাই লৈববা অহনশিং অদুনা "নোম নোম শগাই তোং চানবা
লেত্তে তখেল থাও" হায়না পাউবৌ থৌবিরমই। মশাগী মবৌশিং
শিডিন্নবা চমজদ্রবা মীথিপোং মীতম্বাল ওইববা হায়বদি মীগী
মপোক্তু থিকববনি হৈরবনি হায়দুনা মীথিপোং ওইজববনি হায-
রদুনা পোংজবদুনা মীতম্বাল ওইনা মীগী মীতৌ তনদুনা পান্নাবা
হোংবদা ওইবক্তবা, নোম্না নোম্না শুনা শুনা তৌফম

খঙজিলক্লে, নোংমগী চাবা ফাওবা তানবা ঙমশিল্লক্লে, নোম্না নোম্না শুনা শুনা হিংনবগী লানফমদা হোৎথম চেৎনা লেপ্পা ঙমশিল্লক্লে, শাগাই মথক্তা তোংবদা হাইবগুম ইতাও তাগে। লৈবে, নোংম নোংমগী চাম্না তানবা ফাওবা ঙমশিল্লক্লে, চানবা লৈশিল্লক্লে, কাম্নদ্রে শিখিবংবু হেন্না ফবেদা হাংদুনা তৌথম খঙলক্লদুনা মখৎ চাবা ভখেল থাঙ অমমম পাখদুনা যাম্নবা চৌবকপবু লাই ওইববা অহলশিং অদুনা লাপথ্রবা মতমদগী হৌনা উবিবমদুনা "নোম নোম শগাইতোং চানবা লৈতে ভখেল থাঙ' হায়না পাউখোঙ চন্দুনা থম্বীবম্বী, অসিগুম্বা নোংশিং চানবা অহলশিং অদু মীথিপেং, মীগী মপোক্ত পিবগা হৈবনি হায়দুনা পোংজবিবা ঐখোয়না বনিমু থানবীবা লৈত্রি। অদুবু শিংশে হৈবে হায়দুনা ঙসিগী খনাই অসিদা লৈবিবা ঐখোয় পুম্নমক অহলশিং অদুগী খযাক্তা অসুম অসুম তাশিল্লকলি। হৌজিক্কি ঐখোয় পুম্নমক চপ মান্নবা কোক পুনসিন্নদুনা অহলশিং অদুনা ভুংগী চাখোল শুবোলগীদমক্তা থম্বীবম্বা ঐখোয়গী লমজিং ওই গদবা পাউবৌ পাউতাকশিং অদু খন্নবা মতম ওইবে হায়না খল্লি। ঐখোয়গী ওইবা পোক্তা ঐখোয়না খন্ন নৈনজদনা কনানা কবম্বা মীওইনা লাক্লনা ঐখোয়গীদমক্তা নৈনবীবগদৌনিব কনানসু নৈনবীবোই। ঙসিগী ঐখোয়গী লৈপাক অসিদা লাইংথিক লাইগু হৈবা ঐখোয় মঙাইবে হায়না খঙবা মীওই খুজাক অমা অনি পুনশিল্লগা মমালোন হুংশিনবনি হায়দুনা "মণিপুর সাহিত্য পরিষদ" "নহারোল সাহিত্য প্রেমী" হায়বনচিংবা মমিং কয়া

থাঙ্গী দুনা, মনাশোল হৈনা নৈনা মীবোলদা তাংদনা মানাবোলদা মগী চোনবা থাংবা হৈক্তদবা, মীশিংশো শিং অসিনা লাইবক হৈব নগোম মহাকবে হাযডুনা হ্রাথল যাম্না শনবা শাবডুনা থ্রা তপ্পা তপ্পা চা লহুনা অশিংবা শাতুনা লৈনিবা মীওইশিং অনিগু মমাবোলদা ননিং ফাওবা চোনবা হৈজদ্রিবা মীওইশিং অসিনা ভৌ নবা শা ববাশ হাংডুনা নপানগী মীওইনা খুবাক খুডুনা লাকবিবা অমি উনদা থন্নাই অসিদা লৈমিন্নবিবা মীওইশিংনা হুমাং নাডুনা থাডনবিবা অসি থবদি থন্নবীযম চোকই ।। “ঐখোযদি ঐ চবননি অহু মচাইবা” হায়ডুনা ইবাগ থাওনগী কচ কোওনা চডুনা লৈবগী ঙৌ দৌদি থাদোকপীবনা ফৈ । মমালৈপাক অমসুং মমাবোলগু কুংশিজবা মীওইশিংদগী থোক্লকপা খোঙ্গোক অমসুং খোঙ্গাং অডুনা অশেংবা সংস্কৃত ওইবা তাবনি মীকোল চম্লবদগী থোক্লকপা খোঙাং অহুদি মশানা মীথাপোং ওইনা তাবনি।

খুন্নাই অমগী লোযনশিল্লোন হাযবা অসি খুন্নাই অডগা শাগোন্নডুনা হৌমিন্নবক্লিবা মীওইশিং অডুনা নৈনবতদা হেন্না শজবা খোঙ্গোক অমসুং খোঙ্গাং থোক্লকপা হেনবা মশানা তাবনি। মীগা মবোল থবা চম্লবগা পাকনগা মীগা লোযনশিল্লোন্দা অহে ওপা শা চবা তাববদি হন্না হন্না চোপ্পা তাবনি। মামাই যেংবীডুনা খনমথৌদ থাগৎপবকপদি যাই যৌবাদ যাবোই, ফিকক খুমডুনা শাথননা নোক্লখিবা তাবনি। অইবনা হাযজবিবা অসি মীগীহু ইথ পিদনা গুহা মনুংদা লৈবা হঙোইগুন্না লৈসি হাগবা নত্তে।

মীগী মপোক্তো থিকচো, খঙচঙ্‌চো, মালেমদা লৈরিবা মীওই পুন্নমকপু যেংবা অমসুং নৈননবা হাযবসি মীওইনা খুদিংমক্কী মথৌ ওইহনবা যাই। হাযবিবা পুন্নমক অহুবু যেনুনগা খঙলুনগা। ঐগী পোং অহুনা মীগী পোক্তগী হেন্না ফজনবা ,হাংনবা তঙাই- ফদবনি, মীগী পোং অহুবু যজৈ হাযহুনা হুন্দনা ঐগী পোক্তা হাপচিল্লবা তাববদি হযে' মপুনা খঙলকতুনা হুনানবা ফাবকপা তাববদি শোযদনা চৈবাক ফংবা তাবনি। ৱাফম অসি মীগী মপোক্তা থল্লাই লুপ্না পান্নীবিবা মীওইশিংনা থবা থবা থঙনীবা ফৈ।



